# ওলিম্পিক্তা ইন্দিয়াগী হোকি-১

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**





হোকি মশান্না অসি অহানবা ওইনা লন্দন সহরদা কুমজা ১৯০৮ তা পাঙথোকখিবা মরিরকশুবা ওলিম্পিক গেমসতা অনৌবা দিসিপ্লিন অমা ওইনা য়াওহনখিবদা পুন্না তিম তরুক্না শরুক য়াখি। মদুদা ইংলিশকী তিমনা চেম্পিয়ন ওইখি। তিম অসিনা ফ্রান্সপু ১০-১, স্কোটলেন্দবু ৬-১ অমসুং অয়ারলেন্দবু ৮-১দা মায়থিবা পীদুনা ওলিম্পিক্কী অহানবা হোকি মশান্নদা সনাগী মেদল ফংবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইখি। ওলিম্পিক অসিদা অহানবা ওইনা নৌনা হাপচিল্লকখিবা থৌরম অমা ওইবা মরম্না ইংলেন্দ, অয়ারলেন্দ, স্কোটলেন্দ, ৱেলস, জর্ম্মনি অমসুং ফ্রান্স খক্তমক শরুক য়াখি। অহানবা রাউন্দা ইংলেন্দনা ফ্রান্সপু পাঞ্জল ১০-১দা মায়থিবা পীখি। স্কোটলেন্দনা জর্ম্মনিবু ৪-০দা মায়থিবা পীদুনা ইংলেন্দগা স্কোটলেন্দগা সেমি ফাইনেল শান্নবদা ইংলেন্দনা পাঞ্জল ৬-১দা মায়পাক্তুনা অয়ারলেন্দগা ফাইনেল শান্নবদা ইংলেন্দনা পাঞ্জল ৮-১দা মায়থিবা পীদুনা ওলিম্পিক্কী অহানবা হোকি চেম্পিয়ন ওইখি।

মতম অসিদা ইন্দিয়া অসি ইংলেন্দগী মখাদা লৈবা মরম্না মশান্না অসি ইন্দিয়াদা লৈবা বৃটিশকী সিফাই লৈফমশিংদা য়াম্না মরাং কায়না শান্নরম্মি। মরম অসিনা ইন্দিয়াদা মশান্না অসিদা থোয়দোক হেন্দোক্না হৈশিংবা শান্নরোই কয়া অমুক থোরকখি। ইন্দিয়ানা অহানবা ওইনা ওলিম্পিক্কী হোকিদা শরুক য়াখিবা অসি কুমজা ১৯২৮দা অমষ্টরদামদা পাঙথোকখিবা মাপল্লক শুবা ওলিম্পিক গেমসতনি। গেমস অসিদা ইন্দিয়ানা হোকি অমসুং এথলেটিক্সতা শরুক য়াখি, মদুদা হোকি শান্নরোই ১৫ অমসুং এথলেটিক্সতা ৭ খক পুন্না শান্নরোই ২২ না শরুক য়াখি। মতম অদুদা ইংলেন্দা মহৈ তমদুনা লৈরিবা জয়পাল সিংহ অমসুং নৱাব ওফ পাতাউদি (সেনিয়র) ইফতিখারবু ইন্দিয়াগী হোকি তিমদা য়াওনবা পাউ থাখিবদা ইফতিখার পাতাউদিদি গেমস অদুদা শরুক য়াখিদে, জয়পাল সিংহদি অমষ্টরদামদা মতম চানা লাক্তুনা ইন্দিয়া হোকি টিমগী কেপ্তেন ওইখি। টিম অদুদা ইন্দিয়াদা লৈবা বৃটিশ অমসুং এঙ্গলো-ইন্দিয়া মচা পুন্না শান্নরোই ৯ য়াওখি। অতৈনা ইন্দিয়া মচা মুসলিম অমসুং হিন্দুশিংনি। কুমজা ১৯২৮গী ওলিম্পিক অদুগী হোকি টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা লৈবাকশিং অদুদি ইন্দিয়া, বেলজিয়ম, দেনমার্ক, স্বিজরলেন্দ অমসুং অষ্ট্রেলিয়ানি। লীগ সিষ্টেমদা শান্নখিবা অথোয় অহেন তান্নখিবগী থৌরম অদুদা ইন্দিয়ানা মায়োক্লবা তিম মঙামক মাইথিবা পীদুনা অহানবা ওইনা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াখিবা অদুদা মায়পাক্তুনা সনাগী মেদল ফংখি। জয়পাল সিংহ বিহারি মচানি, লায়রবা অদিবাসি অমগী মচানি। রানচিদা লৈবা সেন্ট পাওল স্কুলদা মহৈ তমহনবদগী স্কুল অদুগী প্রিন্সিপাল কেননা কোসগ্রেভনা মহাকপু চেকশিন্না শেন্নবীদুনা অহানবা মালেমগী লাঞ্জাও লোয়খিবা মতমদা ইংলেন্দা পুবীদুনা মহৈ মশিন তমহনখি। মহাক ওক্সফোর্দকী সেন্ট জোন মহৈ তমফমশিংদগী ১৯২২দা মেত্রিক পাস তৌখি। মহাক ওক্সফোর্দ ইউনিভর্সিটিগী হোকি শান্নরোইনি, ইউনিভর্সিটি অসিদা মহৈ তম্লিবা ইন্দিয়া মচাশিংনা শেম্বা হোকি তিম্না ইউরোপকী মফমশিংদা শান্নবা চৎপদা মহাকসু য়াওখি। জয়পাল সিংহনা অমষ্টরদামদা ওলিম্পিক্কী মেচ খরা য়াওরম্লগা ইংলেন্দা হনখি। মহাক্কী মহুত্তা রিচার্দ এল্লেনবু তিম কেপ্তেন ওইহনখি। মতম অদুদা ইংলেন্দা লাইরিক তম্লীবা ইফতিখার অলি খান পতাউদিগী মরমদা জয়পাল সিংহনা হায়খিবদি পাতাউদি অসি ক্রিকেট শান্নবদনা হেন্না থৱাই য়াওই, হেন্না লুনসু খল্লি মরম অসিনা মহাক্না অমষ্টরদামদা লাকখিবনি। অশেংবদি পতাউদিনা ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদলবুদি টেষ্ট মেচনা হেন্না মীংচৎ চাওবা হেল্লি হায়না খল্লুবনি। ইন্দিয়ানা টেষ্ট মেচ শান্নবদি অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৩২দা ইংলেন্দগা শান্নখিবদনি। মরম অদুনা মহাক্না ইংলিস তিমদা য়াওবা ফংখিবা অদুদা ওলিম্পিক গেমসদা থৌওইরুদবনি। ধ্যানচান্দসু তিম অসিগী হোকি শান্নরোইনি, মহাক চহী ২২ শুরে, মতম অদুদা মহাক বৃটিশ ইন্দিয়া আর্ম্মিদা থবক তৌরে। মতুং তারকপদা মেজর ওইখি। মালেমগী হোকি মশান্নদা পাঞ্জল খ্বাইদগী য়াম্না চনবা ঙম্বা নুপানি। অমষ্টরদাম ওলিম্পিক্কী মেচশিংদদি মহাক্না পাঞ্জল ১৫ চনখি। লৈবাক ৯না শরুক য়াখিবা ওলিম্পিক্কী হোকি টুর্নামেন্ট অদুদা অষ্ট্রেলিয়া, বেলজিয়ম, দেনমার্ক, ইন্দিয়া অমসুং সুইজরলেন্দনা গ্রুপ "এ"দা অমদি গ্রুপ "বি" দনা ফ্রান্স, জর্ম্মনি, নেদরলেন্দ (হোলেন্দ) অমসুং স্পেননি। কুমজা ১৯২৮দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমস অদুগী মেগী তাং ২৬তা অমষ্টরদামগী ওলিম্পিক ষ্টেদিয়মদা ভাবক ২৩,৪০০ না য়েংদুনা অহুমশুবা পোজিসন হায়বদি ব্রোঞ্জ মেদলগীদমক জর্ম্মনি অমসুং বেলজিয়মনা শান্নখিবা মেচতা জর্ম্মনিনা বেলজিয়মবু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থিবা পীখি। ইন্দিয়াগী বি তর্নবুল অমসুং দল্লিয়ু সী রিকেটসনা মেচ অদুগী অমপয়ারশিং ওইখি। নুমিৎ অসিমক্তদা জর্ম্মনি মচা দবলিউ সাইমন অমসুং বেলজিয়মগী আর লী-গোয়সনা অম্পয়ারশিং ওইদুনা ইন্দিয়াগা য়ুম্মু ওইরিবা নেদরলেন্দসকা ফাইনেল শান্নখি মদুদা ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ৩-০দা লৈবাক অদুবু মায়থিবা পীদুনা লৈবাক অসিনা ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল অহানবা ওইনা ফংখি। নুমিৎ হুমনিগী মতুংদা মেগী তাং ২৯দা ওলিম্পিক ষ্টেদিয়মদা মেদল য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকখি। কেপ্তেন ওইখিবা ইরিক পিনিগরনা মহাক্কী তিম অদু লুচিংদুনা ভিক্টরি ষ্টেন্দ রোমদা চংলকখি অমদি লৈবাক অসিগী ওলিম্পিক্কী অহানবা সনাগী মেদল অদু মঙকশমদা হুকখি। ইন্দিয়াগী গোলকিপ্পর রিচার্দ জেমস অল্লেননা ওলিম্পিক অসিদা মহাক্কী মায়কৈদা পাঞ্জল অমত্তা চলহনখিদে। মহাক ওলিম্পিক অহুমদা হায়বদি ১৯২৮, ১৯৩২ অমসুং ১৯৩৬তা শরুক য়াবদা মঙোন্দা পাঞ্জল অহুমদগী হেন্না চনবা ঙমহনখিদে। ●

# মতমগী খোঙলৈনা পুরকপা অওনবা

**- অথোকপম তোম্বা -**

মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না নুপীশিংনা ফিজেৎ-চাকচা অয়াম্বা হোংলকপসি য়াম্না খুদোংথীনীংঙাই ওইরক্লি। নোংচুপ লমগী মতৌ তম্বদা, মৈহৌরোলগী মতম হঞ্জিল্লকপগুম্বনি। হৌজিক চৎনরিবা মওং অসিদি চীন কাংথোকপসু ঙমদবা য়েংবদদি য়াম্না ৱারবা মতম ওইরে। মৈতৈ নুপীগী চৎনবী ইনাৎপু য়াম্না ৱাংনা থাঙ্গৎলিবা চৎনরোলগী ৱাংমদা চথখিদুনা খুন্নাই অসি মাঙথরক্কদ্রা হায়বগী ৱাখলদা মফম মরাং খঙদবা ফরোইদবদা চীংশিনখিদুনা মতৌ তম্বগী খোঙথাংনা খুদোংথীরিঙৈগী মথক্তা হেন্না খুদোং থীনীংঙাই ওইরক্কদ্রা? ঙল্লিঙৈগী মতমদা নুপীশিংবু ফাজিন্দুনা লাইরিক লাইশু তম্বা থিংলম্বা, করিগুম্বা কনাগুম্বী খরা লাইরিক তম্বা চৎলুবদা মাংই হায়দুনা মফি-মরোল হোংদোক্তুনা য়ূমদা চংহল্লমই হায়বগী ৱারী লৈরিবনি।

কুমজা ১৯৩১ ফাওবদা নুপী লাইরিক তম্বগী চাংসি শুপ্নগী ৫০ ফাওবা শুরমদে হায়না পাউদম্নরি। অশেংবদি মতমদুগী সেন্সসনা শাখি ওইনা লৈরমগনি। মণিপুরগী নুপীশিংগী মরক্তগী অহানবা লময়ানবীনি হায়না শৈথানরিবীশিংদি এম কে বিনোদিনি, ওজা প্রমোদিনি অমসুং ওজা থোইবীনি। থৌনা ফবী ইরমদমগীদমক্তা বৃটিশকী মায়োক্তা লুচিংবী ওইনা মায়োক্লখিবীশিং নুপী লালনা ময়েক শেংনা তাকখি। মখোয়শিং অদুদি নোংথোম্বম খোংনাং, অয়েকপম ওংবী রজনি, ৱাহেংবম তোঙ্গৌ, সরাংথেম ইবেতোন, চীংঙাখম ইবেমহল, অরিবম চাওবীতোন, লোইতাম তোম্বীমচা, তোংব্রম শবী অমসুং ক্ষেত্রিময়ূম ওংবী মুখিনি হায়না থেংনজৈ। মখোয়শিং অসি মণিপুরগী অচৌবা নুপী লালদা লমজিংবী ওইনা মায়োক্লখিবী ঙাক্তনি হায়দুনা ঙসি ফাওবা শৈথানরি। হৌজিকসু য়েংবীয়ু থওইনা অপানন্না হায়নবা লৈতনা মণিপুরবু ঙাক শেল্লিবী নুপী খুন্নাইনি, মৈরা পায়বী, নিশাবন্দ, ধারনা থৌদোক ৱাথোক্কী অচুম্বা ৱায়েল তৌবীনবা কয়াদা মায়রোং য়ারিবনি।

খুদিংমক অসিবু চেন্থনবা হোৎনরিবা ফিজেৎ, চিঞ্জাক, লোনচৎ ফত্তবা খুদিং থাদোক্তুনা অফবা ফিদমনীংঙাই ওইবা ৱাখল্লোন্দা চিংশিনবীয়ু। ঙসি মালেমদা মৈতৈগী ফজরবা কলচরগী জগোয়-ঈশৈ, শান্নবনা শক তাকচরিবা ফজবদা লোয়নননা লাইরিক লাইশুদসু মাঙজিল থারক্লি। মসি খুদিংমক কাউথোক্তুনা ইশাগী অপাম্বা -মীহৌবনা নুপানা নুপীবু হন্থনা খন্দুনা নত্তবা লোনচৎ কয়াগী ৱাথোক্লা লাঙ্গোই চল্লি। ঙসিগী খুন্নাই অসি ময়াই কাবা চিঞ্জাক্লা চিংশিল্লক্লিবা খোঙথাংনি। হৌজিক্কী আইবা/অইবী কয়ানা নুপী খুন্নাইবু য়োকখৎনবা লময়ানবা-লময়ানবী ওইদুনা ৱাহৈনা, পাউতাক্লা পাউজেল কয়ামরুম তৌদুনা শন্দোক্লা তাকপীরি অমসুং ইদুনা পাউচেশিংদা তাকপীরি। অৱাবা খুদোংচাদবা হায়বদি ফত্তববু ঙাকথোকপা, শেলবু তুংশিনবা অমসুং তানশিনবা, নুপীবু কনবীবা মপুরোইবগী মথৌনি অদুবু লুরিবদি লনবু-নুপীবু কনবদগীদি মশাবু কঞ্জবনা হেন্না মরু ওইরি। লৌশিং লৈতবা, মীনুংশি খঙদবা, ইকায় খুম্নদবা, মরুপ-মপাং হিংনবগী লম্বী লৈতবা মফম অদু লৈবদা কান্নদবা মফমনি।

মীনদি হায়রগা মশাদা মহৈ-মশীন হৈতবা, লাইনীং-লাইশোন য়াওদবা, কথোকপা লৈতবা, অখোয়বা লোনচৎ, থকসি-খাসি য়াওদবা, নুংশি হৈতবা, পীনহৈবা য়াওদবা নুপা-নুপীশিং অদুদি কান্নদ্রবা মীওই ওইরি। মনুংদা ইহো হোবা উতোং অহোবদা ঈশিং হৈবা, পাউতাক পীরবসু লৌদবা, লৌশিনবা ঙম্বগী শক্তি য়াওদবা মীওইশিংদা পাউতাক পীবদি নূংদা ঈশিং চাইবগুম্বনি, কান্নদে। অপাম্বা, অশাওবা, মীহৌবা হেনজিন্না পাম্বা, কুম্মৈ ফিয়োং, মতমবু মাঙহনবা, কা হেন্না তূম্বা, শূনীংদবা অমসুং অতনবনচিংবা অসিনা চাউরবা মাঙনবগী মচাক ওইরিবনি। হায়রিবশিং অসিবু থাদোক্লবা অখঙ-অহৈশিং কয়ানা পাউতাক্লা শন্দোক্লা ইদুনা তাকপীরি। লোয়নননা ফত্তবগী লোনচৎ চৎতনবা ফম্বাক্কী লীলা, শুমাং কুম্মৈ অমসুং মমিগী তাইবঙদা শন্দোক্লা তাকপীরি। খুদিংমক অসি ইমিৎনা, ইখোংনা উরবা, থেংনরবা ঙাক্তনি হায়না থমজগে।

বেদ-শাস্ত্রনা অসুম্না ইদুনা তাকপীরি মদুদি নিংথৌ (লুচিংবা) মাগী পাম্বোম হায়বদি মাগী খোঙলোই লান্মীশিংগী মথৌনা মপাঙ্গল শীজিন্নরগা লৈবাক সাসন তৌরিবনি অমসুং য়েক্লবগী মখূত্তগী কল্লিবনি। মাগী পানা, পাম্বোম, খোঙলোই লান্মীশিংগী মথৌনা অদুবু নিংথৌ (লুচিংবা) না তৌবা ওইনা শিংথানরিবনি। খুদম ওইনা পঞ্জরবদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর শ্রী নরেন্দ্র মোদিজিনা পায়খৎলিবা থবকশিং, মখল-মখাগী কাঙলোনশিং পুথোক্তুনা চৎনরোল শেল্লিবা অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লিবা খুদমনি।

লুরিবদি ঐগী নাক্তা লৈরবা, খূৎতা পায়রবা পোৎশক অদুদি তশেংনা ঐগীনি হায়বা শোয়দ্রবনি। অদুবু অহেনবা পামদুনা খূত্তা পায়রিবা অদু থাদোক্তুনা কল্লক মীহৌদুনা পায়দ্রিবা পোৎশক অদু ফংগে হায়না তান্নবদি থোইদোক্লা অহেনবা মীহৌবনা থুমহৎতুনা কহা মাঙ খুজাই কায় ওইদুনা তোকপা তাবনি। নুপীদা প্রমান তৌনবদা মপাম চাকসু চাদা মৱা চাকসু চাদা হায়নরিবনি।

নুপীশিংগী হৌনশা ওইনা ফত্তবা খরদি লৈবগী খুদম লৈ। মদুদি ওইদবা ঙাঙবা, অরোনবা থম্বা, অনম কনবা, মোইথেম য়াবা, ৱাখল পংথবা, ওইনা চাউবা, অচাওরম কাবা, শেংদবা মীনুংশি লৈরম্বদগী লৈতবা ঙম্বা, চিনগা-ৱাখলগা মান্নবা, নুপাগা-নুপীগা লৈমিন্নবদা থাদোক্লবা য়াদবা, তাথোক-তাশিন তৌনবা, অদুগা অমগা অমগা য়েৎনবা, অঙম তান্নবা অসিসু লৈতবদি নত্তে। অদুবু থকসি-খাসি, ধর্ম্মনা অশাওববু নেমথহনবদি ঙমই। মীদি মী ওইনা চৎকদবনি, শাগী লোনচৎ চৎলোইদবনি। শা অকনবা অমনা অতোপ্পা মফমদা চৎনদে, চঙবসু য়াদে। অদুবু মীদি হান্না পাউ পীদ্রবসু অতোপ্পা য়ূমদা লাকপদা হরাও তরাম্না ওক্তুনা ৱারী-ৱাতাই শানদুনা তরাম্না তৌনৈ, মসিনি খেন্নরিবা। মরম অসিনা মীদি শাগী শাজৎ লোনচৎ চৎনদে হায়না প্রমান তৌনরিবা অসিনি।

মী ওইনা পোকপা মপোক্তা শিবগী লাংবু থদৎনা কনাসু চৎপা ঙমদে। মরম অসিনা হিংলিঙৈগী মতমদা তৌগদবা, ফজরবা লোনচৎ খরা অসিদি মী ওইনা পোক্লবদি হৌনা লোনচৎ তঙাইফদনা চৎনবা হোৎনবা, ফত্তববু থাদোকপা থৌদাংনি খন্দুনা তৌফম থোকত্রিবরা। মীনুংশি কথোকপা, ইকায়খুম্নবা, পীজ-পীথক, থৌগল তৌবা, তোল্ল-তারবা মীওইশিংবু কনবীবা তঙাইফদে হায়না থমজগে।

মসিগী ৱাংমদা লৈবা কাঙবুশিং অসিবু লমহেনবা, হায়বা ইন্দবা, খুন্নাইগী য়েক্লবা ওইনা লৌনরি। অদুগা ফত্তবগী লম্বীদসু খোঙদানরি। মী ওইনা হিংলবদি মীগী চৎনরোল ময়াম অসিনা কোন্দুনা লৈরিবনি হায়বা ৱাফম থমজগে। ইশাগী ইথৌদাংদা হোরেন, হয়েং হায়দুনা য়ৈথোকপা অসিনা মতমদি চৎখিনি অমুক হল্লক্লোই, ঙাইবীরোই কনাবুসু। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## হিয়াংলম এ সী মনুংগী অৱাবা

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

হিয়াংমল এসেমব্লি কন্সটিটু্যয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈরিবা সেকমাইজিন্দগী তোকপচীং তাবা কিলোমিটর ২০ হেন্না শাংবা লমদম অসিগী লাইফ লাইন ওইরিবা লম্বী অসি শাথিনা ফৎত্রে। হন্দক মরক নোং মরাং কায়না তাখিবা অসিনা অমুক্কা হেন্না ফৎত্রে। অরোং হায় স্কুল কারকপা অঙাং মহৈরোয়শিং সোরোক ময়ায়গী ক্রোসতা তুশিন-তাশিনবা মশীং খঙদ্রে। কনাগুম্বা অনা-অয়েক থোরকপা মতমদা অনকপা লায়েংফম লৈতবনা ইম্ফাল তানা পুনবা হোৎনবদা লম্বীগী অৱাবা মায়োক্লরি।

হীরম অসিগী মতাংদা এ সী অসিগী ইকায়খুম্নজরিবা এম এল এগী মফমদা লম্বীগী অৱাবা কোক্লবা কয়ারক হন্না হায়জখ্রে। অদুবু কান্নবা অমত্তা ফংবা ঙমদ্রে। এ সী অসি হৌখিবদা এম এল এ কয়ামরুম থাগৎখ্রে। অদুবু লম্বীদি মতিক চানা শেন্বীরক্ত্রি। হন্দক্কী ওনরেবল এম এল এসু হামু-হামু তাদুনা তোক্কদৌরিবা মাল্লি হায়না মীয়ামগী পূক্লিংদা খন্নরি। লৈঙাক্তা হায়জবদা কান্নবা ফংলক্ত্রবদা লমদম অসিগী মীয়ামগী মহুৎ শিঞ্জরগা লমদম অসিবু কোনবিরিবা ইমা ফৌওইবী লাইরেন্বীগী মফমদা থম্মোয় শেংনা কপ্তুনা হায়জরি : কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মীয়ামগী য়াইফনবা খনবা ঙম্বা, মশাগী ওইজবা থিদবা, লৈঙাক কাঙলোন্দা হৈশিংবা, মীয়ামগী ৱাকৎ পুখৎতুনা বিধান সভাদা ৱা ঙাঙবা ঙম্বা, শম্মান-লেংমান্নবা থেংনরকপদা মীনা লাকচহন্দবা, মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক মাঙ-তুং মীৎয়েং শান্না উবা ঙম্বা লুচিংবা অমত্তং ইমাগী থৌজালদগী পুথোকপা ঙম্বা ওইহনবীয়ু। থোং মান্ননা চাওখৎপা হিয়াংলম এ সীগী মনুংদা অমুক্তা হিংজগে।

*অদোমগী - সলাম শ্যামকেশো*
*এক্স উপ প্রধান, অরোং খুঞ্জাও*

## চোইত্রং পাত্রংগী পুন্সি ওইদনবা

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

খুদিংমক্তা শেলগী মথৌ ওইরকপা, মসিমা থিংবা ঙমদনা লৈদৌরবনি। শেলনা শেল তানবা মসিদি নমদনা শেল পায়দৌরিবনি। শূদুনা নোমদুনা তানবা শেলনা শিং থাবা য়ানা শেল পায়বা হাথু-হাথু ওইবা য়াবা নত্তে। করিগুম্বদা লৈকায়দা, খুলদা ইখঙ খঙহৌদনা ময়ূম মকৈ লৈজবী থাদনা শিংথানীংঙাই ওইবা মওংদা শাগৎলকপা অচুম্বা লম্বীদা তানবা শেলদি ওইররোইদবনি। খোইদ্রিং-খোইদ্রাং তৌরগা পাইবা মসিনা অনম্বা ওইদৌরিবনি। মখোয় অসিগুম্বা মীওইশিংসিদি নুমিৎ হেক তাবগা গেট শো লোন্দুনা লৈগদৌরিবনি। শেল ময়াম অমা চঙনা শাবা গেট লোনবু লোনখ্রবা মপান্দগী চিংননীংঙাই ওইবা মীওই চঙলক্কনি হায়বা থাজবগী ৱাংমদা লৈতবা নত্তে। তৌবতবু করিগুম্বদা অথেংবা অহিংদা হুইনা তোয়না খোঙলক্লবা অকি-অখংগী ৱাখল মসিমদি অদুমক ময়াওরবনি। শেল ফনা পায়রবসু য়ূমথংনরিবা মীওইশিংদুনা নুংশিবা লৈখোল য়াওদ্রবা অশোইবা লাক্লবা মতমদা কনা অমত্তা চঙলক্লোইদৌরিবনি। মসিগুম্বা খুহিংসি মশীং ফনা য়ামশিল্লক্লবনি।

মুন্না খল্লুরবদি মসি নুংশিনবা ৱাৎনবা লম্বী হায়বদু ওইরবনি। খুদিংমক ঐগী মী ওইনবা শিনবা মসিদগী হেনবা করিবু লৈরিবগে? করম তৌরগা করিদা ঐগী মী ওইগনি মসিদি মীদুগী থবক, ৱাখলদুদা লৈরোই হায়বা য়াবা নত্তে। তাইবঙ মীওইবা অমনা পুন্সিরবদা চহী কয়া পুন্সিদৌরিবা? করম্বা এষ্ট্রোলোজরনা তশেং-তশেংবা তাইবঙপান থাদোক্কদবা নুমিৎ অদুমক পুংফমগা কোন্না পীবা, হায়বা ঙমগদ্রা? থাজবা ৱাৎলবনি। চুমই-চুমই হায়নরিবা পাঞ্জি, অমাইবা-অমাইবী মুন্না হেক থিজিল্লুবদা অচুম্বা অমত্তা ওইরমদবনি। তাইবঙ মীওইবনা খ্বাইদগী চেকশিনগদবা মরু ওইবা অমা হায়বা তারবদি চিন ৱারকপা মসিনা খ্বাইদগী ফরবনি। হায়নবা লৈ - মীনা শিবনা চিন্দা, শানা শিবনা খোঙ্গুলদা - মসিমক চুমখ্রবনি।

থাজবা মাঙশিল্লক্লবা মী অমগী পুন্সিবু করিসু লৈতনা খল্লক্লবা মতমসিদা কনাগুম্বা অমদা লাল্লুবা য়াবা নত্তে। করিগুম্বদা মহাক্তুনা ... মসিদনি য়াম্না লুশিল্লক্লিবসি। মীনা হাৎতোকপীরম্লবা অশিবা হকচাং মী চৎনদবা অচিকপা মফমদা তাদুনা লৈরম্বা মসিগুম্বা থৌদোক মশীং কয়া অমা য়াওরবনি। মী হাৎপদু কনানো খঙদবা মখৈ মরন্নাই তাদুনা তোকপসু কোঙ্গায় অমনি। পূম্নমকসি খঙদ্রবসু মীহাৎপা মাহক অদুমা মাগী পুন্সিনা ফনা য়াম্না নুংঙাইদুনসু মাগী ৱাখল অদুমদি মিহুল-থাহুল ইচেন চেনখৎপা মসিমদি মপুন্সিগী ওইনা লৈরদবনি। মসিদা ফনবগী লায়েং পথাপ লৈরোইদৌরিবনি। মসিমা ফনা হৈথোই শিংথোইদুনসু মপুন্সিগী অদুমক লৈরগদবনি। তাইবঙ মীওইবা অমনা তাইবঙ মীওইবা অমবু হাৎপা তূপ্পা হায়বসি ফংগদৌরিবা দন্দিদুবু করি অমত্তা কিদবনি হায়না লৌবদা কায়দ্রবনি।

করিগুম্বদা ফংগদৌরিবা দন্দিদুনা অতোপ্পা অমা নৎত্তবদা শিবগী দন্দিসি নত্তনা অতৈ অমা পীদ্রবা, হাৎনবা তূপ্নবগী থবক থৌরমসিমা খরমখৈদি হন্থগদৌরিবনি। খ্বাইদগী মরু ওইরিবসি হিংলিবা ঐখোয়সিনি। শোয়দনমক্কী মখোঙ থোঙনা অদুমক লাক্লগদবা শিবগী নুমিৎ মসিবু করম্বা মীওইনা নুমিৎ খুদিংগী নীংশিংলিব্রা? নোংমা ফাদোক্কা অদুক অরাক মথোং হুক্তবা থাক্তুম কাবক-কাবক নীংশিংনবগী ৱানি। ৱাওইননা খঙবগী ৱাসিদি শিরবা নুমিৎ অদুমক ওইদৌরবনি। কল্লিঙৈগী মতমদা মচা-মশু, মরুপ মপিজা কয়া অমা লৈদুনসু শোল্লক-নারক্লবা মতমদা কনা অমতা লৈরক্তবা মসিনা করিগী? শিরবসু য়ারবা মোংফম্না ঙাইদুনা লৈরবা অদুগুম্বা মীওইদু শিরবা মতুংদা মানা তৌরম্বা থবকশিংদুগী মহয় শোয়দনা লৈদৌরিবনি। অফবা থবক ওইগেরা ফত্তবা থবক ওইগেরা? মরেক মহাও থোক্ত্রবা মীওই অদুনা হিংনা-হিংনা মশক নাইবা থবক অমা তৌদৌরিবসিবু করম্বা থবক ওইদৌরি?

হিংনবগী লানফমদা আইননা য়াদবা থবক তৌরগা শেন্দান লম্বী ওইনবা হোৎনরবা অদুগুম্বা মীওইদুমক নোংমদি শোয়দনা আইনগী ওইবা লম্বীদা অফা-অপুন ফংগদৌরিবনি। হুরানবগী তরানি, মপুগী নোংমা মসিগী ৱাফমদি মুখৎপা য়াদনা অদুমক লৈরগদবনি। চেকশিল্লক্লবা মতমদা মরুপনি-মপাংনি হায়দুনা ঐগীদমক চোংথোরক্লিবা মহাক অদু তশেং-তশেংনা কনানা, করম্বা মুন্না খল্লগা তিনবনা অশেংবা মরুপ হায়বা অদুমকনি। তাইবঙ পানবসিদা মরুপ হায়বা অমা, মপাং হায়বা অমা অনীসি লৈরিবনি। হিংবসিদা তশেং-তশেংবা মরুপ খঙনবগী তঙাইফদনা ওইদৌরিবনি। থৌদোক ৱাথোক্তা চেবাউ পীদুনা পোৎপাং পীরবা মহাক অদুনা মরুপ ওইনা খঙনা চান্নবা ওইরবসু চেক্তা চেকশিল্লক্লগা ঐগীদমক শিবা কিদনা অঙম্বা মতেং পীরবা অদুগুম্বা মরুপ ঙসিগী মীরোলসিদা অতাঙবা ওইনা থোক্কদবা মান্দ্রবনি। মরুপ-মপাং মশক খঙদবা হায়বসি মহাক অদু অশেংবা মরুপনি হায়না লৌরুবা য়াবা নত্তে। মথায়-থায়নগী তিন্নরকপা মরুপ মপাংশিংগী ৱারীদা অসুক্কী মতিক নুংশিনবা মরুপকীদমক মথ্বায় ফাওবা থাদোকপা ঙম্বগী থৌনা লৈবা ৱারী কয়াদা থেংনরিবদুনি। পূম্নমক মতমগী অওনবা লাকপনা ঙসিদি তশেং তশেংবা মরুপ থিবা ৱাদৌরিবনি। মরেক মহাও থোক্লগা মরুপ মপাং ৱাত্তবা মসিগুম্বা মওংসিদি চুহী লৈবা মফমদা ককচেং ইনবগুম্বনি। অফবা ঈশিং থক্কেরা? অচুম্বা কয়া অমা তৌগেরা? অরানবা কয়া অমা তৌগেরা? পূম্নমক ঐদি অফবনি কনাদসু করিসু হায়জদবনি ময়াম অমা লৈরিবসি নোংমদি শোয়দনা তাইবঙ পানবসিদগী চৎকদৌরিবনি, লৈহৌগদবা কনাসু য়াওরোইদৌরিবনি। পুল্লপ চৎকদবা নৎত্রবসু মথং মথংগী ৱানি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।